## ‘ইরাক, সিরিয়াদা য়ু এসকী লান্মী থারোই’



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৪ ঃ করিগুম্বা মীখলদা মহাক পু থাগৎলক্লবদি লান্না অমাঙ-অতা থোক-হল্লবা ইরাক নৎত্রগা সিরিয়াদা মহাক্না য়ু এস গ্রুপশিং থাবা তৌরোই হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সন্দা দেমোক্রেটিক পার্টিগী মাঙজিল থাবা কেন্দিদেট ওইরিবা হিলারি রোধম ক্লিন্টননা হায়খ্রে।

মহাক্না অসুম্না য়ু এস গ্রুপশিং থাবা হায়বসি কিনিংঙাই ওইবা অশোয়বা অমা ওইগনি হায়খি। অদুবু অমেরিকাগী কম্বেট ফোর্সশিং মপান্দা শীজিন্নবগী মতাংদা অশুপ্পা ৱারোল অমা পীয়ু হায়বদি য়াখিদে।

“ঐহাক্না ইরাক নৎত্রগা সিরিয়াদা অমেরিকন কম্বেট গ্রুপশিং থারোই। মদু খন্নররোইদবা ৱাফম অমনি। মদু কিনিংঙাই ওইবা অশোয়বা খোঙথাং অমা ওইগনি” হায়না ক্লিন্টননা হায়খি।

অদুম ওইনমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা অখন্নবা ফোর্সশিং থাখিগনি। মসি লৈবাক অসিনা মায়োক্নরিবা থ্রেটশিংগী মখা পোন্ননি হায়না সী এন এননা শীন্দুনা ন্যু হেমসফ্যরদা পাঙথোকখিবা টাউনহোল মিটিং অমদা মহাক্না হায়খি।

“আই এস আই এসতা নত্তনা অতৈ টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী নোর্থ অফ্রিকাদগী সাউথ এসিয়া ফাওবা শনে দাক্তুনা লৈরিবা নেটৱার্ক অসিনা মরুপ-মপাংশিং, মীচংশিং খোঙলোয়শিং লোয়ননা ঐখোয় ইশাদা চাউনা অকিবা পোকহল্লে” হায়না ক্লিন্টননা হায়খি।

ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাকপু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা থম্বা তাই অমসুং মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা খুৎশম্নদুনা আই এস আই এসপু মায়থিবা পীবা অমসুং টেররিষ্ট থ্রেট অসিবু মাঙহনবা তাই হায়না দেমোক্রেটিক ফ্রন্টরন্নরনা মখা তাখি।

## ড্রোন এটেক্তা ৬ হাৎখ্রে

অদেন, ফেব্রুৱারী ০৪ ঃ য়ু এসকী ড্রোন অমনা চথখিবনি হায়না থাজবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা সাউথ য়েমেনদা অল কাইদাগী মীওইশিংনি হায়না চিংনবা মীওই তরুক শিখ্রে হায়না ঙসি সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মাবৱা প্রোভিন্সকী রোধুম এরিয়াদা মী তোংদবা ৱারপ্লেন অদুনা এল কাইদাগী গাড়ী অমদা এটেক তৌখি অমসুং মীওই তরুক হাৎখি হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অরাবিয়ন পেনিন্সুলাদা অল কাইদাগী খ্বাইদগী শাথিবা এফিলিয়েটকী লৈফমনি হায়রিবা য়েমেনদা খুৎলাই য়াওবা ড্রোনশিং ওপরেট তৌবা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক ওইরি।

# য়ুরোপ পুম্বা জিকাগী শেম-শানবা আপিল তৌখ্রে

জিনেভা ফেব্রুৱারী ০৪ ঃ

এদীজ হায়রিবা কাঙ মখল অসি য়ুরোপতা খোঙফম তাখিবা তারবদি য়ুরোপকী লৈবাক খূদিংমক্তা জিকা ভাইরস শন্দোরকপা য়াই হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ৱার্নিং তৌখ্রে।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী য়ুরোপ চীফনা হায়খি, য়েনিং অমসুং কালেন থাদা শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা য়ুরোপতা জিকা ভাইরস শন্দোকপগী য়াবগী খুদোংথিবা লৈ। পোৎচৈ হাপফম খাউনচিংবদা য়াওখিবা কাঙশিংনা ভাইরস অসি শন্দোকপা অমা নৎত্রগা লমকোয়বা মীওইশিংগী ঈদা ভাইরস অসি য়াওবনসু শন্দোরকপা য়াই।

পোকপা মতমদা অঙাংশিংগী মকোক অমসুং ব্রেন লৈফম থোকপা চাংদগী হেন্না পীকশিন্না পোকপগা মরী লৈনৈ হায়রিবা ভাইরস অসি মালেমগী ওইবা হেল্থ ইমর্জেন্সী অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

য়ামদ্রবদা জিকা ভাইরসকী কেস মাপন দিটেক্ট তৌরবা (য়ু এস) ষ্টেটকী ফ্লোরিদাগী কাউন্টি মরিদা ষ্টেট অসিগী গভর্নরনা হেল্থ ইমর্জেন্সী লাউথোকখ্রে।

এদীজ কাঙ অসি য়ুরোপকী মফম অয়াম্বদা লৈতে হায়না লৌনৈ, তৌইগুম্বসুং হকশেলগী মরমদা খঙ-হৈরবশিংনা কাঙ মখল অসি খরা শাবা লৈবাকশিংদা শন্দোকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ হায়রি।



লেটিন অমেরিকাদা জিকাগী কেস অয়াম্বা থোকহল্লিবা এদীজ এজিপ্টি হায়রিবা কাঙ মখল অসি লৈবা ঈথৎ অমদি পোচুগিজ ঈথৎ মাদৈরানি।

কুমজা ২০১২দা কাঙ মখল অসিনা দেঙ্গি ফিভর থোকহন্দুনা মীওই ২,০০০ হেন্না লায়না অসিনা নাখি। “এদীজ কাঙ লৈবা য়ুরোপকী লৈবাক খূদিংমক জিকা ভাইরসকী লায়না শন্দোরকপা য়াবগী খুদোংথিবগীচাং ৱাংনা লৈ” হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী য়ুরোপ চীফ সুজসান্না জাকাবনা হায়খি।

এদীজ অলবোপিক্টস কৌবা অতোপ্পা এদীজ কাঙ মখল অমসু ইটলি অমসুং সাউদর্ন অমসুং ঈষ্টর্ন স্পেনগী মফমশিংদা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

জিকাগী মহীক পল্লবা লমকোয়বা কয়া য়ুরোপতা চঙলকখি, তৌইগুম্বসুং কাঙনা মথৌ তৌদনা লৈবদগী লায়না অসি মখা তানা শন্দোপদি তৌদে।

য়েংনিং অমদি কালেন থা লাকপগা লোয়ননা জিকা ভাইরস শন্দোকপগী খুদোংথিবগী চাং ৱাংখৎলকই হায়না সুজমানা ফোঙদোকখি।

ওথোরিটিশিংদা ঈশিং তুংদুনা লৈবা মফমশিং কাঙ মচা পোকফমশিং মাঙহন্নবা অমসুং তঙাইফদবা য়েংদুনা কাঙ হীদাকশিংসু কাপথোক্নবা খঙহনখ্রে। য়ু কেদা ঈ পীবা মী খূদিংমক জিকানা শোকহল্লবা লৈবাক্তা চৎলুবা ওইরবদি থা অমা ঈ পীবদা অথিংবা লৈগনি হায়রি।

ঐচ এন এসনা হায়খি মদুদি, “মহীক-মতাই য়াওদবা অফবা ঈ পীবা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওই।”

ব্রজিলদা হৌখিবা চহীগী মে থাদা জিকাগী অহানবা কেস থেংনখিবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা জিকাগী কেস লীশিং মরিরোম লৈদুনা লায়না অসিগী লায়চৎনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবসি লৈবাক অসি ওইরি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুং ইন্না, জিকা ভাইরস অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা লৈবাক ৩০ হেনবদা শনে দাকখ্রে। চেকশিন থৌরাং ওইনা নুপীশিংনা মীরোল্লবদি জিকানা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদা চত্তনবা দব্লিয়ু ঐচ ওনা চেকশিনৱা পীখ্রবনি।

## নাইতোম তারবা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কন্সটিট্যুসনগী ৱাথোক্না মফম তাহল্লবা য়ানা লৈরে

কথমন্দু, ফেব্রুৱারী ০৪ ঃ

লেপখিবা খোঙফমদগী হন্দোক্তনবা অচৎপা ফিরেপ লৌখ্রবা নেপালগী চুংশিন্নবা লোমেকরশিংনা লৈবাক অসিগী অহানবা দেমোক্রেটিক কন্সটিট্যুসনবু চৎনহল্লক্নবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিল্লিবা মশিং য়ামদবা কাঙলূপশিংগা মীচং শেমখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলি নাইতোম তারক্লি অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্ট লাক্লিবা মার্চ/এপ্রিল থাদা তুখিবা য়াবগী খুদোংথিবা হেনগৎলক্লি।

লেফটিষ্ট ওইবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (য়ুনিফাইদ মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট)কী ওলিনা খা-থংবা তম্পাক্কী লমদমদা মুক্নবা হেনগৎলকপগী ফীভম লৈরিবদু ৱারোইশিন পুরক্কনি অমসুং ইন্দিয়ন বোর্দরদা লৈরিবা অথিংবদু লৌথোক্কনি হায়না থা ৪গী মমাঙদা মীখলদা মায় পাক্তুনা পৱার পায়খিবা মতমদা ৱাশকখি।

তৌইগুম্বসুং হিমালয়ান লৈবাক অসিদা হৌখিবা ওগষ্টতগী মী শিবা, শোকপা য়াওনা ঈরাং কয়া লেপ্তুনা থোক্লক্লি। হৌখিবা থাদা পুলিসনা দেমোন্সট্রেটর অহুম কাপ্তুনা হাৎখিবা য়াওনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫০ হেন্না শিখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ঈরাং হৌরিবশিংনা পুলিসকী কা হেনবা থৌওং কয়ানা গভর্ণমেন্টনা শেংনা হোৎনদে হায়বসি উৎলি হায়না মরাল শিখি।

নাকল অমরোমদা, লৈবাক অসিগী কোনুং কথমন্দুদা মীশিংনা থাউ অমসুং গ্যাস ফংনবা হোৎনবদা পরেং শানা লেপনরি অমসুং ব্লেক মার্কেটতগী পোৎশকশিং অসি মমল ৱাংনা লৈনরি।

হৌজিক শেঞ্জা-থুমজা হেনগৎলক্লে অমসুং গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা থুংহনবা ঙমদ্রে হায়না ওলিগী মতম অমদা হেক্তা কায়খিবা য়াবা ফীভম অসিবু শৌগৎলিবা মাওইষ্ট পার্টিগী স্পোক্সমেন দিনানাথ শর্ম্মানা হায়খি।

মশাগী চহী ৮৩ শুরবা ওলিনা দেপ্যুটি প্রিমিয়র তরুক্তগী তাদনা শেন্নবদা ৱারবা কেবীনেট অমা লূচিংলি। মখোয় তরুক্কী অমদি নেপালদা নিংথৌগী লৈঙাক অমুক হন্না হঞ্জিনবা পাম্বা মীশকনি অদুগা অতোপ্পা অদুনা হৌজিক ফাওবদা কন্সটিট্যুসনদা সাইন তৌদ্রিবা মাইনোরিটি মধেসিশিংগী মীহুৎ ওইনা পার্টিগী লূচিংবা ওইরিবনি।

ন্যু দিল্লিনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা কন্সটিট্যুসন চৎনহনবগী লাউথোকপদা থেংথহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা নেপাল অমসুং ইন্দিয়াগী মরী মখা তানা শোকচিল্লকখিবনি। ইমুং-মনুং, মরী-মতা কয়াবু বোর্দর লান্না লাক্তুনা পুনবা য়াহন্নবগীদমক্তা নেপালগী অনৌবা কন্সটিট্যুসন খরা থেংথনা চৎনহন্নবা ইন্দিয়ানা হোৎনখিবনি।

হন্দক চয়োল খরা অসিদা ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী ওফিসলশিংগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎতুনা ব্লোকেদকী চৈথেং খরা কোমথোকপগী মমি লাক্লিঙৈ তাল্লক্তা প্রাইম মিনিষ্টরগী তাথি-তাওইবা ৱাঙাং-শঙাংনা ন্যু দিল্লিবু নুংঙাইহন্দ্রে হায়না হান্নগী দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোকখি।

ন্যু দিল্লিগী কোকটেল মার্কেটতা ওলিনা পৱার পায়দুনা লৈবগী নুমিৎ খুৎ থেক্তুনা পাবা য়ারগনি হায়না ঙাংনরিঙৈ মরকসিদা ইন্দিয়ানা হৌখিবা চয়োলদা মাধেসিশিং অমসুং অতৈ লিদরশিংবু ন্যুজ ব্রিফিং শীন্দুনা প্রোটেষ্ট মুভমেন্ট অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

কন্সটিট্যুসনগী ৱাফমদা য়াশিন্নবা অমা পুরক্নবা হোৎনবদা ওলিনা মরু ওইবা প্রোব্লেম ওইদুনা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ওলিগী পোলিটিকেল এদভাইজর বিষ্ণু রিমালনদি হৌজিকমক্কী ওইনা গভর্ণমেন্টতা অকিবা পোকহনবা লৈতে অমসুং গভর্ণমেন্ট অসি মীখল পাঙথোক্কদবা কুমজা ২০১৮ ফাওবদি কায়দনা লৈগনি হায়খি।

“অথুবা মতমদা গভর্ণমেন্ট কায়বা য়াবগী নৎত্রগা অতোপ্পা মীওই অমনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্মকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে” হায়না রিমালনা মখা তাখি।

## য়ু এসনা লৈবাক মনুংদা কা হেনবা তৌবশিং থেংননবা চৎন-পথাপ থীরি



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৪ ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস (য়ু এস)কী জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা কা হেনবা তৌবা লৈবাক মনুংগী ওইবা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা অকিবা পোকহনবা হেনগৎলকপগী ফীভম থেংননবা লিগেলগী ওইবা অহোংবা কয়া পুরক্নবা হোৎনরি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা ইমেল থারক্তুনা লৈবাক মনুংদা চথবা এটেকশিং লেপহন্নবা দিপার্টমেন্ট অমনা অহেনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপা লৈনা লৈনা দোমেষ্টিক এক্সট্রিমিজ লাকশিন্নবগী খোঙথাংশিংসু লৌখৎনবা হোৎনরি।

“য়ু এসতগী হৌদোকখিবা ফিলোসোফিশিংনা ইনোৎ পীরবা এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপশিং অসি লৈবাক অসিদা তশেংনা কিনিংঙাই ওই। হন্দক্তা থেংনখিবা পাউশিং অমসুং ঐখোয়না হৌজিক উরিবা কেসশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা হৌজিক ঐখোয় খুদোংথিবা নংবা য়াবা ফীভমদা লৈ হায়না লৌবা য়াইহায়না জষ্টিস দিপার্টমেন্টকী চীফ ওফ নেসনেল সিক্যুরিটি জোন কার্লিননা রোইজগী ইন্টর্ভিয়্যু অমদা হায়খি।

হৌখিবা চহীদা জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা লৈবাক মনুংদা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথবশিংনি হায়না চিংনবশিংগী মথক্তা মরাল কয়া শিখি। মীওইশিং অদুবু ন্যু য়োর্ক ষ্টেটতা লৈবা মুস্লিম মশিং য়াম্না লৈবা টাউন অমদা লৈবা স্কুল অমা অমসুং অতৈ বিল্ডিংশিংদা বোম্মিং এটেক চথনবা হোৎনখি লোয়ননা মখোয়না য়ু এসকী মিলিটরি বেজশিংদসু এটেক তৌনবা, পুলিস ওফিসারশিং হাৎননবসু হোৎনখি হায়না মরাল শিখি।

তৌইগুম্বসুং লৈবাক মনুংগী এক্সট্রিমিষ্টশিংবু লাকশিন্নবা হোৎনরিবা ফেদরেল প্রোসিক্যুটরশিংগী মখুত্তা হৌজিকসু মরু ওইবা লিগেলগী খুৎলাই পায়দনা লৈরি।

খুৎলাই অদুদি টেররিষ্ট গ্রুপশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবশিং শৌগৎপদা অথিংবা থম্নবগী চৎন-পথাপনি। অসিগুম্বা লো অসি ইস্লামিক ষ্টেটনা ঈথিল পীবনি হায়না চিংনবা মীওইশিংগী মথক্তা কেস কয়া লৌখৎপদা পাক শন্না শীজিন্নবা লৈখ্রবনি।

মখোয়না কোংগ্রেসতা চাংদম্নবা য়াবা লৈবাক মনুংগী এক্সট্রিমিষ্টশিংবু লাকশিন্নবগী লোশিং শেম্মনবা হায়গদ্রা নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথবশিংবু থেংনবগী থবক কনখৎকদ্রা হায়না হংবদা কর্লিন অমসুং জষ্টিস দিপার্টমেন্টকী অতৈ ওফিসলশিংনা পাউখুম পীখিদে।

## পেন্টাগোন্না নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল প্রোগ্রাম কুপশেন শেন্নরি

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৪ ঃ

য়ু এস মিলিটরিনা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামশিং মীৎকুপ-নাহুম শিংনা শেন্নদুনা লৈ। পিয়োংয়াংনা মিসাইল এটেক চথরকপা মতমদা ঙাকথোক্নবা মখা তানা চেকশিন থৌরাং হেন্না পাকথোক-চাউথোক্না লৌখৎলি হায়না য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি অশ কার্টরনা ঙরাং হায়খ্রে।

দিফেন্স সেক্রেটরিনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এলাস্কা অমসুং হৱাইদা লৈরিবা লৈমায়দা খিনবা মিসাইল ইন্টরসেপ্টরশিংগী মশিং ৩০দগী ৪০দা হেনগৎনবা অমসুং মখোয়গী ক্বালিটি ফগৎহন্নবা থৌরাং তৌরি। অদুবু মখা তানা ইন্টরসেপ্টর মশিং হেনগৎহনবগী থৌরাংদি হৌজিকমক্কীদি লৈতে।

হান্না থৌরাং তৌখিবগী মথক্তা হেন্না ইন্টরসেপ্টরশিং হাপচিন্নবা ৱাশিংটননা খন্নবা লৈব্রা হায়না হংবদা কার্টরনা পাউমীশিংদা “হৌজিকমক্কী ওইনদি মদুগুম্বা লৈতে, হান্না থৌরাং তৌখিবদগী থোইদোকপা অহোংবা লৈতে” হায়খি।

## EMPLOYMENT NEWS

**Union Public Service Commission (UPSC)**
Shahjahan Road, Dholpur House,
New Delhi – 110069

### UPSC Advertisement No. 02/2016 for various Job posts

UPSC invites Online application by **11/02/2016** for following various posts in various Government of India Ministries and Departments in the prescribed format. The posts are :

1. **Assistant Library and Information Officer** : 01 post in Ministry of Agriculture & Farmers Welfare, Department of Agriculture, Cooperation & Farmers Welfare
2. **Civilian Medical Officers** : 49 posts (SC-07. ST-04, OBC-14 & UR-24) in Ministry of Defence, Director General of Armed Forces Medical Services
3. **Specialist Grade-III Assistant Professor (Cancer Surgery)** : 01 post in Ministry of Health & Family Welfare
4. **Specialist Grade-III Assistant Professors (Urology)** : 02 posts in Ministry of Health & Family Welfare
5. **Specialist Grade-III Assistant Professors (Gastroenterology)** : 08 posts (SC-02, ST-01, OBC-03 & UR-02) in Ministry of Health & Family Welfare
6. **Specialist Grade-III Assistant Professors (Endocrinology)** : 09 posts (SC-01, OBC-03 & UR-05) in Ministry of Health & Family Welfare
7. **Specialist Grade-III (Neurology)** : 01 post in Ministry of Health & Family Welfare
8. **Specialist Grade-III (Cardiology)** : 01 post in Ministry of Health & Family Welfare
9. **Specialist Grade-III Assistant Professors (Plastic Surgery)** : 08 posts (SC-01, OBC-05 & UR-02) in Ministry of Health & Family Welfare
10. **Specialist Grade-III Assistant Professors (Psychiatry)** : 26 posts (SC-04, ST-02. OBC-09 & UR-11) in Ministry of Health & Family Welfare
11. **Specialist Grade-III Assistant Professors (Paediatric Cardiology)** : 02 posts in Ministry of Health & Family Welfare
12. **Assistant Employment Officer** : 01 post in Ministry of Labour & Employment, Directorate General of Employment & Training
13. **Chemist** : 01 post in Indian Bureau of Mines, Ministry of Mines
14. **Economic Officers** : 02 posts in Ministry of Road Transport & Highways, Department of Road Transport & Highways

**How to Apply** : Apply Online at UPSC Online website at http://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php on or before **11/01/2016** for advt. no. 02/2016.

Government of India / Ministry of Home Affairs
Directorate General **Sashastra Seema Bal (SSB)**
East Block-V, R.K. Puram, New Delhi - 110066

Applications are invited from male Indian citizens fulfilling the eligibility criteria for recruitment to the following Para-Medical and other job posts in SSB :

1. **SI (Staff Nurse)** (Female ) : 15 posts, Pay Scale : Rs. 9300-34800 + GP Rs. 4200/-
2. **ASI ( Pharmacist)** : 13 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2800/-
3. **ASI (Operation Theatre Technician)** : 02 posts, Pay Scale : Rs. 5200 - 20200 + GP Rs. 2800/-
4. **ASI (Dental Technician)** : 02 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2800/-
5. **ASI (Radiographer)** : 05 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2800/-
6. **Head Constable (Steward)** : 02 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2400/-
7. **Constable (Waiter)** : 26 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2000
8. **Constable (Carpenter)** : 02 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2000
9. **Constable (Painter)** : 17 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2000
10. **Constable (Tailor)** : 20 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2000
11. **Constable (Cobbler)** : 29 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2000
12. **Constable (Gardener)** : 06 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2000
13. **Constable (Ayah)** : 04 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2000

**Application Fee** : Bank DD/IPO/Banker Cheque of Rs. 50/- in favour of PAO, SSB, MHA, New Delhi payable at State Bank of India, R.K. Puram, New Delhi (Branch Code No. 01076) for candidates belonging to General and OBC categories. No fee will be charged from SC/ST/Ex-Servicemen and Female candidates.

**How to Apply** : Eligible and desirous candidates should send their applications in the prescribed proforma to the **The Assistant Director (Recruitment), Force Hqr, SSB, East Block-V, R.K. Puram, New Delhi - 110066** so as to reach within 30 days of publication in Employment News (published on 23/01/2016 therefore, the last date is **22/02/2016**)

Please visit **http://ssbrectt.gov.in** for detailed information and application form.

**Bharat Electronics Limited (BEL)**
(A Govt. of India Enterprise)
Ghaziabad Unit, Bharat Nagar Post Office,
Link Road, Sahibabad, Ghaziabad (UP)

Bharat Electronics Limited (BEL), a Navratana company and India's premier professional electronics company invites applications for following posts :

1. **For NCS SBU**
   1. **DGM (Civil)** : 01 post
   2. Dy. Manager (Civil) : 05 posts on contract basis for 5 years
2. **For Radar SBU**
   1. **Sr. Assistant Engineer** : 30 posts in various disciplines

**Application Fee :** Candidates belonging to GEN/OBC category are required to deposit the application fee to be paid in any branch of SBI by payment challan of Rs .500/-. SC/ST/PWD candidates are exempted from payment of application fee.

**How to Apply** : Application in the prescribed format should be send to **DGM (HR), Bharat Electronics Limited, P.O. Bharat Nagar, Sahibabad, Ghaziabad (U.P.) Pin – 201010** on or before **27/02/2016**.

Please visit **http://www.bel-india.com/recruitment** for details and application format.







